**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 29-06-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ঙারিয়ান চীংখোঙ মনাক্তগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় ফাগৎলে।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২৩ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ইন্তরনেসনেল স্পেচ ষ্টেসনদা লৈরিবা গ্রুপ কেপ্তেন সুবানসু সুক্লাগা ৱারী শান্নখ্রে।

------

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্থবগী থবক লেপ্তুনা চখরি।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- ঙরাং তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপ অনিগী মীওই অহুম ফাখি। বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা ওইনাম উখোঙশাংদগী কে.সি.পি (তাইবঙ ঙানবা)গী কাদর অমা ফারে। অতোপ্পা ওপরেসন অমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কৈশামথোং মনিং লোংজম লৈকাইদগী মণিপুর পুলিসনা আর.পি.এফ-পি.এল.এগী কাদর অমসু ফাখি।

তেংনৌপল জিলাগী বোর্দর পিল্লর নম্বর-৮৭ দগী পি.এল.এগী কাদর অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা ঙারিয়ান চীংখোঙদা লৈবা টি.বি. হোস্পিতাল মনাক্তগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় ফাগৎলে। ফাগৎলবশিং অদুগী মনুংদা মেগজিন য়াওবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, দবল বেরেল নোংমৈ অহুম, দবল বরেলগী মরু ৭৩, লেথোদ সেল অনি, হেন্দগ্রেনেদ অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফলগী মরু ৩ য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া য়াওরি।

থৌবাল জিলাগী লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী মনং চন্না লৈবা লিলোং চাউবোক্তগী গাড়ি হুরানবদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অমা মহাক্কী ময়ুমদা মণিপুর পুলিস ফারে। মঙোনদগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর য়াওদবা হোন্দা এক্তিভা অমসুং ফাগৎলে।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা তমেংলোং রন্নিং ক্লব কৌবা শান্ন-খোৎনবা অমসুং মশা মড ফনা লৈনবা ক্লব অমা হাংদোকখ্রে। ক্লব অসিনা মফম অসিগী নহাশিংদা নিশাদগী লাপা লৈনবা, অমত্তা ওইনা মশা মউ ফনা নুংশি চান্ননা নহাশিংনা জাৎ বিজাৎ খায়দনা মশা মউ ফবা লমদম অমা ওইহন্নবা পান্দম থল্লি। ঙরাং হৌদোকপগী থৌরম অদু লমজেল্লোই ৫০ হেন্না শরুক য়াখি। তোঙান তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন, পুলিস অমসুং শান্ন-খোৎনবদা থৱায় য়াওবা মীওইশিংসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

কংগ্রেস (এল)ঃ তমেংলোং জিলাদা কংগ্রেসতা নৌনা য়াওরক্লবা বি.জে.পিগী ৱার্কর ৯ অমসুং এন.পি.পিগী ৱার্কর অমা ওকপগী থৌরম ঙরাং পাঙথোকখ্রে। কংগ্রেসতা নৌনা য়াওরক্লবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা তমেংলোং বি.জে.পি (এস.টি মোর্চা)গী প্রসিদেন্ট, জিলা অদুগী বি.জে.পি. কিষান মোর্চাগী প্রসিদেন্টসু য়াওরি। ওকপগী থৌরম অদুদা হান্নগী মন্ত্রি সমুয়েল জেন্দাই, এম.পি.সি.সিগী একজিক্যুতিভ মেম্বর পি.ঐচ. ফুংগন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট কংগ্রেস কমিতিগী মীওই কয়া শরুক য়াখি।

তমেংলোং (এল)ঃ তমেংলোং টাইমস পাউচেগী চহি ১০ শুবা পালন থৌরম ঙরাং দাইলোং রোডতা পাঙথোকখ্রে। ইং ২০১৫ দা রোংমৈ অমসুং ইংলিস লোলদা ফোংবা পাউচে অসিগী চহি ১০ শুবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা তমেংলোং-মাহুল লম্বীদা উ চারা কয়ামরুম থাখি।

মনকি বাট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২৩ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি অকাশবানি ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক্ট লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ইন্তরনেসনেল স্পেচ ষ্টেসনদা লৈরিবা গ্রুপ কেপ্তেন সুবানসু সুক্লাগা ৱারী শান্নখ্রে। ৱারী শান্নবা অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- নহাকা ভারতগী লাপা লৈরবসু ভারত মচাশিংগী থম্মোয় নুংদা নকা লৈরি। নহাক্কী খোঙচৎ অসিনা অনৌবা যুগ অমা হৌরে।

গ্রুপ কেপ্তেন সুবানসু সুক্লানা ৱারী শান্নবা অদুদা হায়- ভারতকী মহুৎ শিং দুনা চৎপা হায়বসিদা চাডথোকচবা পোকই। মহাকা হায়- এষ্ট্রোনোট অমা ওইগনি হায়বসি মহাকা কৈদৌনুংদসু খল্লুদে।

সাহ ঃ কেন্দ্রগী গৃহ অমসুং কোওপরেসন মন্ত্রি অমিত সাহনা গুজরাতকী অহমেদবাদতা লৈবা অদারোদা খুলদা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাখ্রে। থৌরম অসিদা মন্ত্রিনা হায়- এ.দি.সি বেঙ্ক, সেবা সাহাকারি মন্দলি অমসুং কম্ম্যুনিতি হোলনচিংবা শঙ্গাখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা শ্রী সাহনা হায়- সানন বিধান সভা কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা

খুঙ্গং ৫৪ দা সরকারনা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিংগী মতেং পাংগনি। মসিগী মমাংদা শ্রী সাহনা পাঞ্চমহল জিলাগী ঘোদ্রাদা শ্রী গোবিন্দ গুরু য়ুনিভর্সিতিদা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট খরগী যাত্রা হুনখি, খরনা শঙ্গাখি। মন্ত্রিনা নৌনা শাবা সেন্তর ফোর এক্সেলেন্সকী বিল্ডিং, স্পোর্টস কমপ্লেক্স অমদি রিজার্ভরনচিংবা শঙ্গাখি।

পাকিস্তান ঃ পাকিস্তানগী অৱাং নোংচুপ থংবা লমদমদা মশা শিজরগা বোম পোকখায়হনবগী থৌদোক্তা পাকিস্তান লান্মী ১৬ শিরে, মীওই ২৯ না শোক্লে।

পুলিসকী পাউনা হায়- শোক্লবশিং অদুগী মনুংদা লান্মী ১০ য়াওরি। বোম পোকখায়বা অদুদা য়ুমথক নীংখায়রকপদা অঙাং ৬ সু শোকখি। মীওই অদুনা পোকখায়বা য়াবা মচা মথুম থন্না য়াওবা গাড়ি অমনা লান্মীগী গাড়িদা থেংজিনদুনা পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। পাউ খরনা হায়- থৌদোক অদু হফিজ গুল বহাদুরগী কাংবুনা থোকহনবনি হায়রি।

ক্রিকেট ঃ নোটিংহামগী ত্রেন্দ ব্রিজদা চত্থরিবা নুপীগী টি-ট্বেন্তি ক্রিকেটকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা ভারতনা ইংলেন্দবু রন ৯৭ তা থোইখ্রে। ভারতনা অপিবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ২১০ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা ইংলেন্দনা ওভর ১৪ গা বোল ৫ দা রন ১১৩ লৌদুনা ৱিকেট পুমমক তুখি। মেটচ অসি ইংলেন্দনা টোস ঙমদুনা ভারতপু হান্না বেত্তিং তৌহনখিবনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরদা ঙসি ফোংলিবা পাউচেশিংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যারসকা কোকোমি, অমুকো অমদি ফোক্সকা ৱারী শান্নরগনি, মণিপুরদা পোপুলর গভর্নমেন্ট অমা লাকবা হোৎনরি হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না ফোংদোকখিবা ৱাফমনা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

পোকফমদা- কোকোমি, অমুকো, ফোঙ্গকী টিম অমা ঙসি দিল্লি চৎকদৌরি হায়বসিনা অহানবা হেদলাইন ওইরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- ৱারোই পুরকবা সেন্তরগা হয়েং ৱারী শান্নগদৌরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সনালৈবাক, শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, হুইয়েন লানপাউদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি মণিপুর মেলদনা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ঙসি বি.জে.পি এম.এল.এশিংগী অপুনবা মীফম ফমগদৌরি হায়বা পাউ অমা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মীয়ামা পাল্লিবা পোপুলর গভর্নমেন্ট অমা থমবা হোৎনরি, সেন্তরনসু অথুবদা মীয়ামগী লৈঙাক অমা শেল্লক্লনি হায়বা থাজে হায়বা নোংথোম্বম বিরেনগী ৱাফম নহারোলগী থৌদাংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

অতেনবা মতমদা পোপুলর লৈঙাক অমা লাক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন ওহরি।

নরেন্দ্র মোদিনা ইবা দ ইম্মরজেন্সি কৌবা লাইরিক থম্বাল শঙলেনদসু ফোংখ্রে হায়বা পাউ সনালৈবাক্কী এনকর কলমদা ফোংলে।

মণিপুর কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট কৈশাম মেঘচন্দ্রনা মোইরাংদা হাংবা রিলিফ কেম্প অনি য়েংশিনখিবগী পাউ শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

য়ুনাইতেদ নেসন্স লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ু.এন.এল.এফ-এম.পি.এ)গী লুচিংবা অয়েকপম ৱাংপাগী ৮ শুবা নিংশিং কুমওন পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ তোঙান তোঙানবা পাউচে খরগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মিজোরমদা থোকপা ক্রিমিনেল কেসকী চাদা ৫০ দি রিফ্যুজিশিংগা মরী লৈনৈ হায়না মিজোরমগী হোম মিনিষ্টরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পিপলস ক্রোনিকল অমসুং শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------